


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JULY 19, 2018 PAGE 7




*আইসিসিগী খ্বাইদগী নৌনা থোরকপা বেটসমেনশিংগী রেঙ্কিংদা অহানবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী নুপা ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি*

*চহী ৫ প্রোফেসনেল ফুটবোলদগী থাদোক্লুরবা মতুং আই লীগকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন মিনর্ভা পঞ্জাবগী টেক্নিকেল দিরেক্তর ওইনা খনখ্রবা সুখৱিন্দর সিংহ*

## ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা সোট্রেভিলি এঠলেটিক্স মিটকী জেবলিন থ্রোদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*পেরিস, জুলাই ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা ফ্রান্সতা পাঙথোকপা সোট্রেভিলি এঠেলেটিক্স মিটকী জেবলিন থ্রো ইভেন্টতা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।

ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা নুপাগী জেবলিন থ্রো ইভেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১২ লন্দন ওলিম্পিক গেমসকী গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবা কেসোর্ন ৱাকোটপু মায়থিবা পীরল্লগা ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা ঙরাং অথেংবদা পাঙথোকখিবা জেবলিন থ্রো ইভেন্ট অদুদা মিটর ৮৫.১৭ শান্না লংদুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।




*জেবলিন থ্রোদা গোল্ড মেডল লৌখ্রবা ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রা*

ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা মোলদোভাগী এঠলিট এন্দ্রিয়ান মারদারেনা মিটর ৮১.৪৮ লংলগা ফংবা ঙমখি। অদুগা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা লুথুনিয়াগী এঠলিট ইদিস মাটুসেভিসিয়সনা মিটর ৭৯.৩১ দা ফংখি।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্ঠ গেমসতা মিটর ৮৬.৪৭ লংবা ঙমখিবনি। গেমস অসিদা মহাক্না লংখিবা অরাপ্পা অসিদগী ঙসি মহাক্না ফ্রান্সতা পাঙথোকখিবা সোট্রেভিলি এঠলেটিক্স মিটতা লংখিবা অদুদগী হন্থখিবনি।

নিরজ চোপ্রাগী ইভেন্ট অসিদা খ্বাইদগী ফজবা পার্ফোমেন্স অদুদি দোহাদা পাঙথোকখিবা দাইমন্দ লীগতা মিটর ৮৭.৪৩ লংখিবা অদুনা ওইরি। অদুবু চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মহাক মরিশুবা পোজিসন তাহৌবনি।

মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা রাবাট দাইমন্দ লীগতা ইন্দিয়াগী এঠলিট নিরজ চোপ্রানা মিটর ৮৩.৩২ লংলগা মঙাশুবা পোজিসন তাদুনা লৈহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি নিরজ চোপ্রানা কুমজা ২০১৬ তা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র চেম্পিয়ন্সিপ্তা অনৌবা রেকোর্দ থম্বগা লোয়ননা মিটর ৮৬.৪৮ লংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

ফ্রান্সতা পাঙথোকখিবা এঠলেটিক্স কম্পিটিসন অসিদা ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রানা গোল্ড মেডল ফংখিবা অসিদা এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইনিদয়া (এএফআই) গী প্রসিদেন্ট এদিলি সুমারিৱালানা নিরজ অমসুং মহাক্কী কোচপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী নিরজ চোপ্রা ফ্রান্সকী এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অসি পাঙথোক্ত্রিঙৈ মাঙওইননা ফিনলেন্দদা ত্রেনিং চংখিবনি। মহাক্না গোল্ড মেডল ফংখিবা অসিদা ইন্দিয়া ক্রিকেট টিমগী হান্না কেপ্টেন ওইরম্লবা বিরেন্দ্র সেৱাগনসু থাগৎ ৱাহৈ ফোঙদোরক্লি।

## কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ওদিআইগী বেটসমেনগী রেঙ্কিংদা অহানবা পোজিসনদা লৈরি, বোল্লর কুলদিপ ১০ গী মনুং চনখ্রে

*দুবাই, জুলাই ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী ক্রিকেট টিমগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলি ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) না থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা ৱান দে ইন্টরনেসনেলগী বেটসমেনশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিংদা নম্বর ৱান পোজিসনদা হোংদনা লৈরি। ইন্দিয়াগী বোল্লর কুলদিপ যাদব ইংলেন্দনা শান্নখিবা সেরিজ অদুদা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎলকপনি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোহলিনা ঙরাং লোইশিনখিবা ইংলেন্দগী ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুদা মথং শিৎনা রন ৭৫, ৪৫ অমসুং ৭১ লৌবা ঙমখিবদগী হান্না লৈরম্বা অহানবা পোজিসন অদুদা অদুমক লেঙদনা লৈবা ঙম্লি।

সেরিজ অদুগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌবদা সেঞ্চুরি লৌদুনা চাওনা মতেং পাঙখিবা জো রুটনা অনীশুবা মফমদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। অহুমশুবা পোজিসনদা পাকিস্টানগী বেটসমেন বাবর আজম লৈরি অদুগা ইন্দিয়াগী বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা মরিশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

ইন্দিয়াগী স্পিন বোলর কুলদিপ যাদবনা হন্দক্তা ইংলেন্দগা শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজ অদুদা ৱিকেট ৯ লৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী খ্বাইদগী ফজবা ৬শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে। ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা সেরিজ অদুগী ত্রেন্ট ব্রিজদা শান্নখিবা মেটচতা রন ২৫ পীরগা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমখিবনি।

বোলরশিংগী মকোক মথং তাবগী পরিং অসিদা ইনিদয়াগী বোলর জস্প্রিটবুমরাহনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈরি। অনীশুবা পোজিসন অদুনা আফগানিষ্টানগী বোলর রাসিদ খাননা ওইরি।

ওল রাউন্দরদা বাংলাদেশকী শান্নরোই সাকিব অল হাসনা অহানবা পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাস অমসুং সৌরভ বর্ম সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টনগী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলসকী ২শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, জুলাই ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী সৌরভ বর্ম অমসুং রিতুপর্না দাস য়ুএস দোলর ৩৫৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী সৌরভ বর্মনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা য়াম্না কোম্না ২১-৯, ২১-৬ তা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।





ইন্দিয়াগী সৌরভ বর্মনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী সেনসোম্বুন্সুকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ২১-৯, ১৪-২১, ২১-৯ দা থোইরম্বা হোং কোংগী ঙুয়েনগা লম্বা তৌনরগনি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৬শুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথ ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেটচতা জপানগী শান্নরোই ৱাই ইগারাসিগী মখূত্তা ১৬-২১, ২১-১৬, ২১-১৮ দা মায়থিহৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী এস দেনা কানাদাগী হো সুবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা ১৪-২১, ১২-১৪, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ইনেদানেসিয়াগী এসদি কুনকোরোবু ২১-১৩, ২১-১৩ দা মায়থিবা পীরম্বা অহানবা সিদেদ শান্নরোই চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী গুরুসাইদত্ত অহানবা রাউন্দদা চাইনাগী কিয়াও বিনগী মখূত্তা ১৪-২১, ১৯-২১ দা মায়থিহৌখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাসনা স্বিটজরলেন্দগী এস জে ক্লেটপু অহানবা গেম ৫-৩ দা হেন্দুনা লৈরিঙৈদা জেক্লেট মশা শোকপদগী মখা তানা শান্নবা ঙমখিদবদগী ইন্দিয়াগী দাস অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী রিতুপর্না দাসনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী জে গাইবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২০-২২, ২১-১৫, ২১-১৫ দা থোইরম্বী ইনেদানেসিয়াগী সুসান্টোগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী রুথভিকা গাদেনা অহানবা রাউন্দদা বলগেরিয়াগী জেটচিরিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১-১৫, ১৭-২১, ২১-১৬ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দদা ভিয়েটনামগী ভু থি টাংবু ২১-১১, ২১-১৬ দা থোইরম্বী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী সায়াকা টাকাহসিগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ভি আর জাক্কা অহানবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোই মিটানিনা ২১-১৯, ২১-৭ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী এম এগ্রে নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই চাইনাগী গাও এফজেগী মখূত্তা ১২-২১, ১৬-২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী অতোপ্পা সিঙ্গলস শান্নরোই চুক্কা অহানবা রাউন্দদা স্পেনগী শান্নরোই বি কোরেলসকী মখূত্তা ২৩-২১, ৪-২১, ৬-২১ দা মায়থিহৌদুনা লৈহৌখি।

সিঙ্গাপোর ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দদা অনীশুবা সিদেদ পেয়র ইনিদয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাগ সেথিনা সিঙ্গাপোরগী পেয়র হিদায়ট অমসুং লোহবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৬, ২৪-২২ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা ৮শুবা সিদেদ ইন্দিয়াগী আস্বিনি পোনাপ্পা অমসুং এন সিক্কি রেদ্দি অহানবা রাউন্দদা হোং কোংগী পেয়র য়াও অমসুং য়ুয়েননা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮-২১, ২১-১৩, ২১-১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

## ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটকী সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-১ দা লৌখ্রে

*লিদস (ইংলেন্দ), জুলাই ১৮ঃ*

ইংলেন্দ টুরগী মনুং চন্না ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়াগা শান্নখিবা ৱান দে মেটচ অহুমগী সেরিজগী অরোইবা মেটচতা ইংলেন্দগী জো রুটকী আওট ওইদনা লৈখিবা সেঞ্চুরিনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ ২-১ দা লৌখ্রে।



*ইন্দিয়াবু মায়থিবা পীবদা আওট ওইদনা রন ১০০ লৌখিবা ইংলেন্দগী বেটসমেন জো রুটনা ফোর য়েবা*

ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি অরোইবা ৱান দে মেটচ অদুগী টোস ইংলেন্দনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা অহানবা ইন্নিংস তৌদুনা শান্নরকপদা ওভর ৫০ ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৬ লৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু রোহিট শর্ম্ম অমসুং সিখর ধৱননা হৌদোরকখি। রোহিট শর্ম্ম বোল ১৬ মায়োক্নরবা মতুং শুপ্পগী রন ২ খক লৌরল্লগা স্কোর বোর্দতা রন ১৩ শুরকপদা আওট ওইখি।

নৌনা থোরকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ভিরাট কোলি অমসুং ওপনর সিখর ধৱননা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎতুনা স্কোর বোর্দতা রন ৮৪ শুহনবা ঙমখি।

ওপনর সিখর ধৱন বোল ৪৯ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়েরগা রন ৪৪ লৌরল্লগা রন আওট ওইদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ৱিকেট তুখি।

মরিশুবা বেটসমেন দিনেস কার্থিক অমসুং ফিভম ফজনা লৈরিবা কেপ্টেন ভিরাট কোলিনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা তানা শান্নরকখি। নৌনা থোরকখিবা কার্থিক বোল ২২ মায়োক্নরবা মতুং ফোর ৩ য়েরগা রন ২১ দা আওট ওইখিবদগী ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১২৫ দা অহুমশুবা ৱিকেট তুখি।

নৌনা থোরকখিবা এমএস ধোনি অমসুং ভিরাট কোলিনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু মখা চংখরকখি। ভিরাট কোলি বোল ৭২ মায়োক্লবদা ফোর ৮ য়েরগা রন ৭১ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

৬শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা সুরেস রাইনা শুপ্পগী রন অমখক লৌরল্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা হর্দিক পান্দিয়াসু বোল ২১ মায়োক্লবদা ফোর ২ য়েরগা রন ২১ লৌরমখি।

৫শুবা বেটসমেন ওইনা থোরকখিবা ধোনি বোল ৬৬ মায়োক্নরবা মতুং ফোর ৪ য়েরগা রন ৪২ লৌরল্লগা আওট ওইখিবদগী স্কোর বোর্দতা রন ২২১ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী ৭শুবা ৱিকেট তুখি।

৮শুবা বেটসমেন ভুবনেশ্বরনা বোল ৩৫ দা ফোর অমা য়েরগা রন ২১ লৌরম্বা অমদি ৯শুবা বেটসমেন সারদুল থাকুরনা বোল ১৩ মায়োক্লবদা আওট ওইদনা রন ২২ লৌরম্বা অদুনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু রন ২৫৬ য়ৌহল্লকখিবনি।

ইংলেন্দনা মায় পাক্নবগী ইনিদয়ানা লৌরম্লবা রন ২৫৬ অদু লৌনবা হোৎনরকপদা শুপ্পগী ৱিকেট ২ খক তুরগা ওভর ৪৪ গা বোল ৩ দা টার্গেট রন ২৫৭ অদুদগী হেন্না রন ২৬০ লৌবা ঙমখিবদগী অহুমশুবা ৱান দে মেটচ অদু ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা থোইদুনা সেরিজ ২-১ দা লৌখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু হৌরকপদগী ফিভম ফজরকখি। ওপনর জেমস ভিন্স অমসুং জোনি বেয়রষ্টোনা অহানবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ্তা রন ৪৩ লৌরমখি। জোনি বেয়রষ্টো বোল ২৭ মায়োক্লবদা ফোর ৫ য়েরগা রন ২৭ লৌরল্লগা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসমেন জো রুটঅমসুং ওপনর জেমস ভিন্সনা ইংলেন্দগী ইন্নিংস অদু মখা চংখরকখি। ওপনর জেমস ভিন্স বোল ১৩ মায়োক্লবদা ফোর ৭ য়েরগা রন ৩০ লৌরল্লগা আওট ওইখিবদগী ইংলেন্দগী অনীশুবা ৱিকেট স্কোর বোর্দতা রন ৭৪শুবা শুরকপদা আওট ওইখি।

মরিশুবা বেটসমেন কেপ্টেন ইয়োন মোর্গান অমসুং অহুমশুবা বেটসমেন জো রুটনা টার্গেট লৈখিবা রন ২৫৭ হেন্দোক্না রন ২৬০ লৌবা ঙমখিবদগী ইংলেন্দনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থিবা পীদুনা সেরিজ লৌখি।

জো রুটনা য়াম্না ফজবা বেটিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ১২০ মায়োক্লবদা ফোর ১০ য়েরগা আওট ওইদনা রন ১০০ লৌরমখি। কেপ্টেন ইয়োন মোর্গানসু বোল ১০৮ মায়োক্লবদা সিক্স অমা অমসুং ফোর ৯ য়েরগা আওট ওইদনা রন ৮৮ লৌখি।

## টোয়োটা য়ারিস লালীগা ৱার্ল্ডগী অহৌবা মেটচতা ইন্দিয়াগী কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবর্ন এফসি শান্নরগনি

*কোচি, জুলাই ১৮ঃ*

কেরলাগী সিটি কোচিদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোয়োটা য়ারিস লালীগা ৱার্ল্ডগী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সনা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব বেলবর্ন এফসিগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা অতোপ্পা স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল ক্লব জিরোনা এফসিসু শরুক য়াদুনা শান্নগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সনা মখোয়গী অহানবা মেটচ অদু জুলাই ২৪ দা শান্নগনি।

কেরলা ব্লাষ্টর্সকী টিম অসিদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখিবা মণিপুরদগী হৌখিবা গোলকিপর মোইরাংথেম ধিরজ সিংহসু শরুক য়ারি।

ইন্দিয়াগা অহানবা ওইনা লম্বা তৌনগদৌরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী মেলবর্ন এফসি ওষ্ট্রেলিয়াগী এ-লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরুওইবা টিম অমনি।

টিম অহুমনা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা জুলাই ২৭ তা ওষ্ট্রেলিয়াগী ক্লব মেলবর্ন এফসিনা স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিগা লম্বা তৌনগনি।

অদুগা অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অদুদা ইনিদয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্স অমসুং স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা জুলাই ৩০ দা লম্বা তৌনগনি। মেটচ অহুমক কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নুমিদাং পুং ৭ তা শান্নগনি।

পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদগী কেরলা ব্লাষ্টরনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগতা অহেনবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙম্লগনি হায়না পাও অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিবু প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরল্লগা অষ্টানা চেলেঞ্জরগী ক্বার্টর য়ৌখ্রে

*অষ্টানা, জুলাই ১৮ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই সাকেট মাইনেনিনা রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিবু প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা পীরল্লগা য়ুএস দোলর ১২৫,০০০ শেলগী মনা লৈবা অষ্টানা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা ঙসি শান্নখিবা অষ্টানা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অদুদা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৮ ওইরম্লবা অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ শান্নরোই রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিবু সেট ২-১ দা থোইরমখি।



*অষ্টানা চেলেঞ্জরগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনি*

অহানবা সেট রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিনা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোঁখরবা ইন্দিয়াগী সাকেট মাইনেনিনা অনীশুবা সেট অদুদা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা মিখাইল য়োজিনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি।

সেট অমমম মান্নরবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাকেট মাইনেনিনা অহানবা সিদেদ রুশিয়াগী মিখাইল য়োজিনিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী দেনিয়েল ব্রান্দসকা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএসএগী সিটি ন্যু পোর্টতা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ৬২৩,৭১০গী শেলগী মনা লৈবা এটিপি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার রামানাথন দোমিনিক রিপব্লিক্কী শান্নরোই ভিক্তর ইষ্ট্রেলা বুরগোসনা ৬-৪, ৬-১ দা মায়থিবা পীরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পুরভ রাজা অমসুং জর্মনিগী কেন স্কুপস্কিনা বেলজিয়মগী রুবেন বেমেলমান্স অমসুং য়ুএসএগী দেনিস কুদলাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

থাইলেন্দদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ২৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ ৱুমেন্স টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী নুপীগী সিঙ্গলসকী মকোক থোংবা শান্নরোই অনকিতা রাইনানা থাইলেন্দগী চোম্পুথিপ জুন্দাকাটেবু ৪-৬, ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ইনিদয়াগী পেয়র রিতুজা ভোসালে অমসুং প্রাঞ্জালা য়াদলাপাল্লিনা থাইলেন্দগী পেয়র পুন্নিন কোভাপিটুকটেদ অমসুং টামাচান মোমকুনথোদপু ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীরল্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মালেসিয়াগী কোনুং কোলা লম্পুরদা পাঙথোকপা য়ুএস দোলর ১৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ মেন্স টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী সিদ্ধার্থ ভিশ্বাকর্মা গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই ইসাক ষ্টোটেগী মখূত্তা ৪-৬, ২-৬ তা মায়থিহৌখি।